গ্বালিয়রদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা বস অমগা ওটোগা থেংজিন্নবদা মীওই ১৩ শিরে

গ্বালিয়র, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা বস অমগা ওটো রিক্সো অমগা থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লায়বকথিবা থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপীশিং অদু গ্বালিয়রগী ওল সোনি এরিয়াদা লৈবা অঙ্গনৱাদি কেন্দ্রদা কুক ওইনা লৈবনি। থবক লোয়রগা মখোয় ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না গ্বালিয়রগী কলেক্তর বিক্রম সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এস পি অমিটনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক থোকফমদা নুপী ৮ অমদি ওটো রিক্সো অদুবু থৌরকখিবা ড্রাইভর খুদক্তা শিখি। অদুগা অতোপ্পশিং অদুনা হোস্পিটালদা অশোকপনা মরম ওইরগা শিখিবনি।

থৌদোক অদুদা পেসেঞ্জর বস অদুদা তোংদুনা লাকখিবা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং বস অদু থৌরকখিবা ড্রাইভর মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখ্রে। বস অদু গ্বালিয়রদগী মোরেনা তন্না লাকপগী থৌদোক্তা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর বিক্রম সিংহনা ফোঙদোকখিবদা অঙ্গনৱাদি সেন্তরদা চাক থোংবা নুপীশিং অদু ওটো রিক্সো অনীদা হল্লক্লবা শেম শাখি। অদুবু মখোয়না থবক লোয়শিল্লগা ময়ুমদা হল্লমদাইবগী মতমদা ওটো রিক্সো অমা য়ারক্তবদগী উপায় লৈত্রদুনা অয়াবা ওটো রিক্সো অদুদা মখোয় পুল্লপ তোংশিন্দুনা লাকখিবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্টনা রিজনেল ট্রান্সপোর্ট ওফিসর (আর টি ও) গ্বালিয়র থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। অমরোমদা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা থৌদোক অদুবু নীংঙমদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ৪/৪ পীরগনি হায়খি। থৌদোক অদু থোকখিবা পাউ ফংবগা মধ্য প্রদেশকী ইনর্জি মিনিষ্টর প্রদ্যুমনা সিংহ তোমার থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংখি।

নন্দিগ্রামদা বি জে পি মীরেপ সুভেন্দু অধিকারিনা ক্রিমিনেল কয়া নেক্তুনা থল্লি: দেরেক ও ব্রাইন

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

বেঙ্গলদা বি জে পিগী হায় প্রোফাইল কেন্দিদেট সুভেন্দু অধিকারিনা নন্দিগ্রামদা ইলেক্সনদা খূৎলাই ওইনা শীজিন্নবগীদমক ক্রিমিনেল কয়া নেক্তুনা থল্লে হায়না তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা দেরেক ও ব্রাইননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়শিং অদুবু অথুবা মতমদা ফাদুনা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ইলেক্সন কম্মিসনদা অইবা চে পীশিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দেরেক ও ব্রাইননা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী মীরপ ওইনা থোক্লিবা সুভেন্দু অধিকারি বেঙ্গলদা হৌজিক হৌজিক রুল্লিং পার্টি ওইনা লৈরিবা তৃনামুল কোংগ্রেসকী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা অমনি। তৃনামুল কোংগ্রেসতগী তোকখ্রবা মতুং মহাক বি জে পিদা য়াওখিবনি। নন্দিগ্রামদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা মমতা বেনর্জি অমসুং সুভেন্দু অধিকারি অনীনা লম্বা তৌনগদৌরি।

কেন্দিদেট অনীমক অরায়বা নত্তে। মখোয় অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনগদৌরি। অদুবু লায়বকথিবদি বি জে পি মীরেপ অধিকারিনা ইলেক্সন নুমিত্তা শীজিন্নবগীদমক ক্রিমিনেল কয়া নেক্তুনা থমখিবা অসিনি। মসিনা নন্দিগ্রামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রিবা মীওইশিং অদুবু ইলেক্সন মমাঙদা ফাগদবনি হায়রি।

মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগা নন্দিগ্রামদা লৈবা কলিপদা সী হোমদা মশক খঙদবা নহা ৩০ দগী ৪০ রোম লৈরি। মখোয় নুমিৎ খুদিংগী মোটোর সাইকল তোংদুনা নন্দিগ্রামগী অকোয়বদা কোয়না চৎলি। হায়রিবা হোম অদুদা অধিকারিসু য়াম্না তোয়না ভিজিট তৌবা মীয়াম্না উরি।

মেঘনাথ পাল কৌবা অমগী য়ুমদা মীওই ৫০ রোম হৌজিক হৌজিক লৈরি। মখোয় অদুগী মনুংদা অধিকারিগী ইলেক্সন এজেন্টশিংসু য়াওরি। মসি নত্তবা অতোপ্পা য়ুম খরদসু কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদগী নত্তবা মশক খঙদবা মীওই ৩০ রোম লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা লোকেল পুলিসতা পাউ পীদুনা খঙহনখ্রে। অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি হায়না তৃনামুল রাজ্য সাভগী এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চয়োলদসু নন্দিগ্রামদা পাঙথোকপা রেল্লিশিং বি জে পি ৱার্করশিংনা তৃনামুল ৱার্করশিংগী মথক্তা য়োম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। মদুগী মতাংদসু ইলেক্সন কম্মিসনদা খঙহনখ্রে। তৃনামুল কোংগ্রেসতা মমতা বেনর্জিনা খ্বাইদগী হেন্না সুভেন্দু অধিকারিদা থাজবা থমখি।

মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা সুভেন্দুনা মমতাগী থাজবা মাঙহনবগা লোয়ননা তৃনামুলদগী তোল্লগা বি জে পিদা য়াওখিবনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোকশিং থোরক্তনবা মরু ওইনা নন্দিগ্রামদা ইলেক্সন কম্মিসন্না অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌবগী মতম ওইরে হায়রি।

আর জে দিনা শীন্দুনা থবক ফংদবগী মায়োক্তা বিহারদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

পটনা, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

বিহারদা থবক ফংদবগী খুদোংচাদবা হেনগৎলকপা অমদি ক্রাইমগী থৌদোকশিং মশীং হেনগৎলক্লিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি রাজষ্ট্রিয়া জনটা দল (আর জে দি) গী লুচিংবা টেজাসৱি য়াদবনা লুচিংদুনা পাক শন্না খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মশীং য়াম্লবা মীওইশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা অদু পুলিসনা থিংনবা হোৎনখি। নাকল অনীগী মরক্তা মুক্করকপদগী পুলিসনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংবু চৈনা ফুবগী থবক চথবা হৌরকখি। পুলিসকী কা হেনবা থৌওং অদুবু ষ্টেট অদুগী ওপোজিসন লিদরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দিমোক্রেসিবু বিহার পুলিসনা খোঙ্গোয়নরে হায়খি। ঙসিগী মীফম অদুদা টেজাসৱি য়াদবগী মনাওনুপা টেজ প্রটাব য়াদবসু শরুক য়াখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা টেজাসৱিনা ফোঙদোকখিবদা বিহারদা হৌজিক হৌজিক থবক ফংদবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। অমদি ব্লেক লো কয়া শেমদুনা ক্রাইম রেট হেনগৎহল্লি। মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসিগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। মীয়াম্না খোঙজং অদু চঙশিনবদা অয়াবা পীনবগীদমক গভর্ণমেন্টতা হায়জখি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্তবনা মরম ওইরগা অয়াবা য়াওদনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

ময়ুমদগী থোকখিবা মতুং ইকান কান্নদনা নুপীমচা মচিন মনাও শিনা ফংলে

পিলভিট, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

য়ু পিগী কেপিটেল লক্ষ্ণৌদগী কিলোমিটর ২৭০ রোম চৎলগা লৈবা বিলভিট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা নুপীমচা মচিন মনাও অনী ময়ুমদগী থোকখিবা মতুং পুং খরগী মতুংদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংলে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা উত্তরখন্দ অমসুং নেপালগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈখিদ্রবা নুপীমচাশিং অদুগী ইমুং মনুং অদু চেক শাবা য়াওদুনা লৈবনি। মশাগী চহী ১৮ অমসুং ২০ শুরবী নুপীমচা অনী অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ তারকপদা ময়ুমদগী থোকখিবনি। অদুবু মখোয় হল্লকমন্দবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থিবগী থবক চথবা হৌখি।

থি হুম্বগী থবক অদুদা নুপীমচা অমগী অশিবা হকচাং অমা হান্না ইমুং মনুং অমদি খুঞ্জাগী মীওইশিংনা থেংনখি। অদুবু পুলিসতা পাউ পীরকপদি লৈখিদে। মখা তানা মখোয়না থি হুম্বগী থবক্তা নুপীমচা অমনা উ অমদা থৌরি য়াল্লগা লৈরম্বা ঙসি অয়ুক থেংনখিবনি। মদুগী মতুং পুলিসতা পাউ পীরকখিবনি। পুলিসনা পাউ অদু হেক ফংবগা থৌদোক থোকফমদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। নুপীমচা অনী অদুদা সেক্সুচুয়েল এসোল্টকী ওইবা খুদম অমত্তা ফংদে। অদুমওইমক মখোয় অনীগী মঙকশমদা দাকশিং তাবা থেংনখি।

নুপীমচা অনী অদুগী অশিবা হকচাংশিং অদু কা হেন্না লাপ্পনা লৈবা নত্তে। থৌদোক থোকফম অদুদগী পুলিসনা মোবাইল অমা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। অমদি থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

ওপোজিসন পার্টি বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

মহারাষ্ট্রগী হোম মিনিষ্টর অনিল দেসমুখদা করপসনগা মরী লৈননা চার্জ কয়া তৌরকখ্রবা মতুং ওপোজিসন পার্টিদা লৈরিবা বি জে পিনা অনিল দেসমুখ মফমদগী রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা হীরম অদুগী মতাংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

উন্নখিবা অদুদা বি জে পিগী মায়কৈদগী অনিল দেসমুখগী মথক্তা থাঙ্গৎলক্লিবা করপসনগী মরী লৈনবা কেসশিং অদুগী মতাংদা অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহন্নবা তকশিনখিবগা লোয়ননা অম্বানিগী ময়ুম মনাক্তা বোম থনম্বগা মরী লৈননা এন আই এনা ফাজিন্দুনা লৈরিবা এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর সচিন ৱাজেগা দেসমুখকা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না তকশিনখি।

অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনসু দেসমুখকী কেস অসি নেস্নেল এজেন্সি অমদা থিজিনহন্নবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

উন কা হেন্না তাবদগী জম্মু শ্রীনগর নেস্নেল হায়ৱে থিংজিনখ্রে

জম্মু, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

জম্মু-শ্রীনগর নেস্নেল হায়ৱেদা লৈবা জৱাহর টনেল মনাক্তা উন কা হেন্না তাশিনখিবা অমদি উন নিংখাইবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা হায়ৱে অসি থিংজিনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কাশ্মীরগী গেট ৱে ওইরিবা জ হাৱর টনেলগী নাকল অনীমক্তা উন কা হেন্না তাখিবা অমদি উন নিংখাইবগী থৌদোক্না মরম ওইরগা লম্বী থিংজিনখিবদগী গাড়ী ৩০০ লোম পন্দুনা লৈরি। বনিহল অমসুং কজিগুন টাউনশিংদসু গাড়ী চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে।

বনিহল অমসুং চন্দরকোট এরিয়াদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা উন তাবা মীয়াম্না উখি। উন তাবগী চাং অদু হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হায়ৱেগী শরুক খরদা উন নিংখাইবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। খুদোংথিবা থোক্তনবগীদমক তঙাইফদনা হায়ৱে অদু থিংজিনখিবনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দিপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ট্রাফিক পরল্ল ভারতদুৱাজনা ফোঙদোকখিবদা নাশ্রী অমসুং চন্দ্রকোট লম্বীদা ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরগা গাড়ী কয়া পন্দুনা লৈরি। হৌজিক উন তারিবা অদু লেপত্রিবা ফাওবদি হায়ৱে অদু মতম খরা থিংদুনা থমখিগনি। মরমদি হায়ৱে অদুদা চথোক চৎশিন তৌবা মতমদা উন নিংখাইরক্লবদি মীশি মীনা থৌদোক থোকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা তঙাইফদনা হায়ৱে অদু থিংজিনখিবনি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী অতোপ্পা মফম খরদসু উন অমদি নোং অনী পুন্না তাশিল্লকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা মীয়াম্না গাড়ী থৌদুনা চৎপা মতমদা চেকশিন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ লম্বীদা গাড়ী থৌদনবসু খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগা মুঘল রোদ থিংজিন্দুনা লাক্লি। মথং থাগী অহানবা নৎত্রগা অনীশুবা চয়োলদদি লম্বীদগী উনশিং শেংদোক্তুনা অমুক হন্না গাড়ীশিং হান্নগুম মথৌ তৌহন্নবা হোৎনরি হায়না ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মোদিনা লৈবাক অসি মাঙহন্নবা হোৎনরি: মমতা বেনর্জি

পরা, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

সেন্তরদা হৌজিক লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা গভর্ণমেন্টকী সেক্তর কয়া প্রাইবেটাইজ তৌদুনা লৈবাক অসিবু য়োন্থোক্লবা হোৎনরে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা বি জে পিনা মমাঙদা ফোঙখিবা মেনিফেষ্টো অদুগা চপ মান্ননা হন্দকসু ফোঙলি। মমাংদা পাঙথোকপা ঙমখিদবা থবকশিং অমুক হন্না লৈঙাক পায়রবদি পাঙথোক্কনি হায়না বি জে পিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু মীয়ামদা হায়জিনবনি।

হৌখিবা টার্মদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকশিংনা ষ্টেট ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং থবক ওইনা ওন্থোক্লম্লবদি বি জে পিনা ঙসি ইলেক্সনগীদমক মীপায়রিবা অসি মীপায়ফম থোক্তে। হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্না চত্তবা পার্টি অসিবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পরা তম্বীবগী মতম ওইরে হায়রি।

অসাম অমদি ত্রিপুরাদা বি জে পিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙলিবা অসি বেঙ্গলদা মায় পাকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙবদগীনি। অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা বি জে পি চাওনা মায়থিবা নংগনি হায়না বেনর্জিনা মখা তাখি।

উত্তরখন্দ ঈচাওদা মাঙখিবা মীওই ১৩০ হৌজিকসু থিবা ফংদ্রি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

মমাং থাগী ৭ তা উত্তরখন্দদা অচৌবা উন মপেশিং নিংখাইরক্তুনা তুরেন্দা তাশিল্লবা মতুং লৈখোম লৈনাং য়াওবা ঈচাও অমা থোকখি। থৌদোক অদুদা মীওই ৭৪ শিখি। অদুগা খরনা থিবা ফংদনা লাকখিবনি। হৌজিক হৌজিকসু থৌদোক অদুদা মাঙখিবা মীওই ১৩০ থিবা ফংদ্রি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম নিত্যানন্দ রায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেস্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ঈচাও অদু থোকখ্রবা মতুং অকনবা মওংদা মী থিবগী থবকশিং চথদুনা লাকখিবনি। নুমিৎ ১৫ নিরোম মী থিবগা থবক অদু চথরবা মতুং মদুদা ফংখিদবা মীওইশিং অদু শিরে হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

উত্তরখন্দগী ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুগী অৱাংবা শরুক্তা অচৌবা পাৎ অমা শেমখিবা অদুগী মতাংদসু কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনবা হৌখ্রে। উত্তরখন্দ ঈচাওদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা গভর্ণমেন্টনা লুপা লাক্ষ ৪/৪ পীগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

ঈশিং ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা হায়দ্রো প্রোজেক্ট অমা মপুং ফানা মাঙহনখি অদুগা অমনা শোকহনখিবনি হায়না নিত্যানন্দ রায়না লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লবদি মফম খরদা লোকদাউন লাউথোক্কদৌরি

মুম্বাই, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

মহারাষ্ট্রগী হেল্থ মিনিষ্টর রাজেস টোপেনা ষ্টেট অদুদা অমুক হন্না লোকদাউন থম্বা পামদ্রবদি মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহল্লক্লি।

মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনসু ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা কোভিদ-১৯ গী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা তোটেল লোকদাউন থমহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর অসিনা মীয়ামদা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অমুক হন্না ষ্টেট অদুদা লোকদাউন থম্বা পামদ্রবদি কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপা থিংনবা হোৎনবদা মীয়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগা লোয়ননা মহাক্না নুমিৎ নীনিগী মমাংদা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা কুপ্পা খন্নখ্রে। মদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ২৫,০০০ দগী ৩০,০০০ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী থেংনরবদি অখন্নবা খোঙথাং খরা পায়খৎপা মথৌ তাগনি।

করিগুম্বা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লবদি কা হেন্না হেনগৎলক্লিবা মফমশিং অদু খঙদোক্লগা তঙাইফদনা লোকদাউন থমজিন্নবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অমুক হন্না লোকদাউন থমজিল্লক্তনবা হোৎনগদবনি। মীয়াম্না কোভিদ-১৯ প্রোটোকোলশিং মরু ওইনা ফেস মাস্ক উপ্পা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা অমদি ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌনবা আপীল তৌরক্লি। মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টে খক্তনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ থিংবা ঙম্লোই হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফমনি। মরম অদুনা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টকী খোঙথাংদা মতেং পাংগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা পুং ২৪দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪০,৭১৫ থেংনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অনৌবা কেস ৪০,৭১৫ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা মীগী মশীং ১,১৬,৮৬,৭৯৬ য়ৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লায়না লায়চৎ অসিনা পুং ২৪ দা মীওই ১৯৯ শিহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মশীং ১,৬০,১৬৬ য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিদা থেংনখিবা অপূনবা কেস মশীং ১,১৬,৮৬,৭৯৬ কী মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১,১১,৮১,২৫৩ রিকোভর তৌখ্রে। রিকোভর তৌবগী চাং চাংদা ৯৫.৬৭ দা হন্থখ্রে। লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী এক্টিভ কেস ৩,৪৫,৩৭৭ য়ৌখ্রে। হান্নগা য়েংনরুবদা এক্টিভ কেস মশীং অসি চাদা ২.৯৬ কী চাংদা হেনগৎলক্লি। হায়রিবা রিপোর্ট অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা ফংখিবনি।

ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্ছ (আই সী এম আর) গী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী মীওই ২৩,৫৪,১৩,২৩৩ গী সেম্পল টেষ্ট তৌখ্রে। হায়রিবা অসিগী মনুংদা মীওই ৯,৬৭,৪৫৯ গী সেম্পলদি নিংথৌকাবা নুমিত্তা তৌখিবনি। হৌখিবা পুং ২৪ দা লায়না লায়চৎ অসিনা শিহনখিবা মীওই ১৯৯ গী মনুংদা ৫৮ না মহারাষ্ট্রদগীনি। লায়না লায়চৎ অসিনা পঞ্জাবতসু মীওই ৫৮, কেরলা অমসুং ছটিসগরদা ১২/১২ অমসুং করনাটাকা অমদি টামিলনাদুদসু ১০/১০ শিহনখি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শিহনখিবা অপূনবা মশীং ১,৬০,১৬৬ কী মনুংদা মহারাষ্ট্রদগী ৫৩,৪৫৭; টামিল নাদুদগী ১২,৬০৯; করনাটাকাদগী ১২,৪৪৪; দেল্লীদগী ১০,৯৬৩; ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ১০,৩০৮; উত্তর প্রদেশতগী ৮,৭৫৯ অমসুং অন্দ্রা প্রদেশতগী ৭,১৯১ য়াওরি হায়না মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈৱাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-B/6802/21/2-22/3

ꯅꯨꯡꯁꯪ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-P/9231/15/3-16/4 Contact No. 6009147645/8014023792

[illegible] / PILES OPERATION তৌদনা ABDUL HAQUE কী হিদাক চাজবদগী ফজরে

ঐহাক পাইলসনা নাদুনা চহী ৬ য়াম্না ৱানা লেল্লকখি। লায়েংবা য়াবা লায়েংখি অদুবু ফবদি ঙমখিদে। পাউচেসিদা ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756 পু থেংনজবদগী মহাক্কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঙসিদি পাইলসকী অনাবশিং- খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, শৌজদা পেরে থোকপা, অমাংথোং ময়াদা চেখায়বা অমসুং হাক্কৎচবা, ঈ তাবা, পুক নাবা, থবাক ফুনবা, ঙকশম মরি নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমসুং খ্বাং নাবনচিংবগী অৱাবশিং কোক্লে। হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি। মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা তৌবীখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Binod**
Luwangsabam Awang
HL-P/9095/24

[illegible]/অমাংথোং ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিল্লগা খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু পীক্লা তারকপা, মরক মরক্তা অমাংথোংদু চিল্লকপা অদুগা অমুক ফখিবা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিল্লগা খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু পীক্লা তারকপা, মরক মরক্তা অমাংথোংদু চিল্লকপা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোক্লগা অমাংথোং মনুংদগী মপালদা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা অদুগা খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, মরক মরক্তা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু হাক্কৎচরকপা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা য়েৎকী ফৈগল অমদি মসলশিং চিকপা অমদি ইপংতা পংশিনবগুম তৌবা, ঈ তাদ্রগনা করিসু তৌদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা অমাংথোংদা নুংঙাইতবা অমদি ঈ তাবা হেনবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক চপ তিংখৎপা অমদি চাবা তুমদবা, হকচাং অসি পোথারগতা লৈনিংবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, নময়াং মরিলদা নাবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/24 *থাগৎচরিবী :* **Manao Meitei,** Sekmaijin

[illegible]/অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোং ময়াদসু পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না পানা তারকপা, অমাংবদু মপালদা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা অহিং তুম্বফাও য়াদবা, কুইনা ফমজিনবা ঙমদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোংদা কন্না চিল্লকপা, চিকপা অদু ফনবা ঈশিং অশাবা ফম্বা অমদি পেন কিল্লর চাবা তারগসু ঙাইহাক ফরম্লগা অমুক চিল্লকপা, অমাংথোং ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোং ময়াদা পোল্লিবা অদু নোংম-নোংমগী খরা খরা চাউথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, শা-ঙা চারগনা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, অমাংথোংদা মরেং মরেংসু চৎলকপা, অমাংথোংদা শারি শারি তৌরগা লৈবা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, অমাংবদু পয়াগুম্না য়াম্না পানা থোক্লকপা, অমাংবদু খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, করিগুম্বা অমাংবা অদু খূৎনা কোৎলগা শেংদোকহৌদবা তারগদি অমাংথোং মনুংদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি অমাংথোংদা চিক্লি চিক্লি তৌরগা লৈরগা হৈনদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/24 *থাগৎচরিবা :* **S. Pakka Singh,** Urup Makha